ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯢ, ꯃꯥꯔꯆ ꯲꯳, ꯲꯰꯱꯸, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯲ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯰꯰꯱ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
ইৰাই, মার্চ ২৩, ২০১৮, ইম্ফাল
৪২ শুবা চহী, ০০১ শুবা মশীং

য়ু এন সীগী ট্রাইপর্তাইট টোক

দিষ্ট্রিক্ট ৭ ৰোল বেক তৌবা ঙমগনি হায়না খনব্রা?

মণিপুর লৈঙাক্না সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতগী অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্ট অমা খায়দোকখিগদৌৰে হায়বা পাউনিনখোল অমদগী য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল (য়ু এন সী) না নাগানা নম্না তাবা মণিপুরগী চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা কুমজা ২০১৬গী ওক্টোবর ২৯ গী অহিং নোংয়াইদগী থা অসিমক্কী ৩১ গী অহিং নোংয়াই ফাওবা টোটেল সটদাউনগী খোঙজং চঙশিনখি। খোঙজং অদুগী মখা তারকপা ওইনা চহীদুমক্কী নবেম্বর ১দগী মণিপুরগী নেসনল হায়ৰেশিংদা মতম কক্তবা ইকনমিক ব্লোকেদ চথবা হৌখি। য়ু এন সীনা টোটেল সটদাউনগী খোঙজং চঙশিল্লিঙৈদা নাগাগী তোঙান-তোঙানবা লূপ কয়ানা সদর হিলস দিষ্ট্রিক্ট শেমদনবা অমসুং জিরিবামবু মপূং ফাবা ৰেভিন্যু দিষ্ট্রিক্ট ওইহন্দনবা কয়ারক হন্না ৱার্নিং তৌখি। মতম অদু ফাওবা মতমদুগী লৈঙাক্না ৰাফম অমত্তা ফোঙদোক্তনা লৈখি। য়ু এন সীনা ইকনমিক ব্লোকেদ চথবা হৌখ্রবা মতুং চয়োল অমা ফারকপদা ৰাথোক অসি শংদাইনবা য়ানবা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্স (এম ঐচ এ) না য়ু এন সীগী মীহুৎশিং, মণিপুর লৈঙাক্কী মীহুৎশিং দিল্লিদা কৌরগা ৰারী শাননবা মতম লেপখি। য়ু এন সীগী প্রসিদেন্ট গাইদোন কামৈ মশামক য়াওনা দিল্লিদা থুংলবা তুংদা মণিপুর লৈঙাক্কী মীহুৎ অমফাওবা ৰারী শানবদুদা য়াওনবা চৎখিদে। অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট তরেৎ শেমদ্রিঙৈ মতমদুদা শেল্লোই হায়বগী থাজবা পীরবদি ব্লোকেদ হনে দাক্কনি হায়না য়ু এন সীগী লুচিংবশিংনা হায়রম্বা লৈখি। অদুবু মণিপুর লৈঙাক্কী মীহুৎশিং ৰারী শানবদুদা থারকখিদবদগী এম ঐচ এ অমসুং য়ু এন সীগী থৌপুবশিং নিংবা কায়নখি। করি মরমগীদমক মতমদুগী লৈঙাক্না ট্রাইপর্তাইট টোক অদুদা শরুক য়াখিদবনো হায়বগী মরম মীয়াম মাঙদা ফোঙদোক্ত্রবসু কায়নথংদা খঙনরকখিবদি অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট ৭ শেমগে হায়বগী চপ চাবা ফীরেপ ঙাল্লিঙৈ মতমদগী লৈরে হায়বসিনি। কুমজা ২০১৬কী দিসেম্বর ৮ গী অহিং নোংয়াইদা ফম্বা কেবিনেটকী ৰারেপ অমনা মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট ৯ গী মথক্তা অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট ৭ হাপচিল্লগা পুন্না ১৬ শুহনখি। মতমদুদগী হৌনা য়ু এন সীনা মণিপুর লৈঙাক্কী খোঙথাং অসি অঙকপা অমা ওইনা লৌবগা লোয়ননা মখোয়গী মঙলান থুগায়বগী চপ চাবা লমন খুম্নবা পো কাঙবা হৌখি। মতম কক্তবা ইকনমিক ব্লোকেদ শুংলেপ লেপ্তুনা চথরকখি।

হান্না দিষ্ট্রিক্ট ৯ লৈরম্বদগী অনৌবা ৭ হাপচিল্লগা পূন্না দিষ্ট্রিক্ট ১৬ শুহল্লম্বা মতমদুগী কোংগ্রেস গভর্ণমেন্ট ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখলদা মশীং য়াম্না কাজরগসু লৈঙাক শেম্নবগী চপ চাবা মশীং ফংদবগী খুদোংচাবা লৌরগা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অমা মণিপুরদা লীংখি। অনৌবা গভর্ণমেন্ট অমা লাকখ্রবা তুংদা চীং-তম নকশিন্নবা লৈঙাক্না তোঙান-তোঙানবা থৌশিল কয়ামরুম শেল্লকখি। থা খুদিংগী তাং ১০বু চীংমী লুচিংবশিংগী নুমিৎ হায়না লাউথোকখি অমসুং চীংমী লুচিংবশিং উনবা হৌরকখি। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী তেংবাঙগা লোয়ননা নোংথোম্বম বিরেন্না লুচিংবা অনৌবা লৈঙাক অসিনা য়ু এন সীগা ট্রাইপর্তাইট টোক তৌবা হৌরকখি। অসুম্না মতম শাংনা মণিপুরগী মীয়াম পুম্নমক অৰাবনা খম থেংহল্লবা তুংদা ইকনমিক ব্লোকেদ লৌথোকখি। মতম অদুদগী হৌনা চীংমীগী লূপ অমত্তনা ইকনমিক ব্লোকেদ ঙসি ফাওবা চথবা লৈত্রি। অদুবু ইকনমিক ব্লোকেদ তোকখ্রবসু মতম অমগী লৈঙাক্না মীয়ামগী য়াইফননবা অমসুং মীয়ামগী অপাম্বা মতুং ইন্না শেমখিবা দিষ্ট্রিক্ট ৭ অদু হন্দোক্কদবনি হায়বা য়ু এন সীগী দিমান্দ অদুদি হৌজিকসু লৈরি। য়ু এন সীগী দিমান্দ অসি চহী ১ হৌখ্রে। ইস্যু অসিগা মরী লৈননা চথরকপা ট্রাইপর্তাইট টোকসু মখা চথরগা অদুমক লৈরি। খ্বাইদগী নৌবা ট্রাইপর্তাইট টোক ঙসি সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা চথগদৌরি। মতাং অসিদা পঞ্জনীংবা ৰাফমদি, য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং মণিপুর লৈঙাক্কী মীহুৎশিংগা নাকল অহুমগী ওইবা ৰারী শান্নরিবসিগী পান্দম করিনো হায়বসিনি। য়ু এন সীনা তাল্লিবা দিমান্দনা ওক্রম ইবোবীনা লুচিংবা কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মতমদা শেমখিবা দিষ্ট্রিক্ট ৭ অদু ৰোল বেক তৌ হায়বনি। ৰাফম অসি খন্নসি হায়দুনা সেন্ত্ৰর অমসুং মণিপুর লৈঙাক্না নহানমখৈ থেল্লগা লাকখিবনি। নুংদা লৈরিবা ৰাফমদি এন বিরেন্না লুচিংবা বি জে পিগী লুচিংবা লৈঙাক অসিনা কোংগ্রেসনা নৌনা শেল্লম্বা দিষ্ট্রিক্ট ৭ অদু ৰোল বেক তৌবা ঙমগনি হায়বসি থাজবা লৈব্রা? সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনসু মসি ৰোল বেক তৌহনবা ঙমগদ্রা? য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিলনসু মখোয়না তাল্লিবা দিমান্দ অসি শোয়দনা ফংগনি হায়না লৌরিব্রা হায়বা ৰাফমসি মায়কৈ খুদিংমক্না চনিং তানা খন্থহন্নীংই। থবক্তা ওন্থোকপা ঙল্লরোইদবা ওইরগদি ট্রাইপর্তাইট টোক অসি মখা চথরুবগী করি কান্নবা লৈবগে? অমরোমদা মণিপুরগী লমখৈ মনুংদা অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট খায়বদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন নুংঙাইনবনি হায়বগী ৰাখল্লোনগী ৰাংমদা লম য়েন্নবদৌনা তৌরিবা অসিদি লাইবক থীবনি হায়দবা ঙল্লোই।

••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

এসেমব্লি হোল লাইশঙনি

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

লাইগী লৈপাক কংলৈপাক মণিপুরনি। মণিপুর এসেমব্লি হোল অসি লৈঙাকলোইশিংগী লাইশঙনি, লাই খুনদিনফমনি, লৈঙাকলোইশিং অসিনা লাইয়ামনি। কংলৈ মীওইচা কয়ানা মীচমদগী লাই শেম্মী। লাই মখোয়না মীচম মীয়াম্বু অমুক ফননবা শেমগদবনি, শেমসু শেম্মী। খুঞ্জাওনবা, লৈচাওনবা খুনশেমগদবনি, লৈশেমগদবনি, লৈপাক মরা চেৎনা ঈংনা চীক্না, তংদু লৈতানা পালহনগদবনি, খুনঙাক্কদবনি। মদুগীদমক খন্ন-নৈনফম, ৰারেপ কয়া লৌদুনা থবক কয়া তৌননবা লাই খুনদিনফম ওইবনা এসেমব্লি হোল অসি লাইশঙনি হায়জবনি। অসিগুম্বা লাইশঙ অসিদা চঙদুনা লৈপাক্কী, মীয়ামগী খন্ন-নৈনগদৌরিবা লাইয়াম পুম্নমক হায়বদি লৈঙাকলোইশিং ঙসিগী ঈৰৈচাশিংনা ইরোলগুম কৌবীরিবা এম এল এ, মন্ত্রি, মিনিষ্টরশিংগী ‘লাইশঙনুংগী শেৎকদবা ফিজোল’ অমদি লেপথোকপা কান্নগনি খল্লি। শেৎনীংবা পংশেৎ শেৎ, লীৎনীংবা পংলিৎ লিৎ, ইন্নিংবা পংইন ইন, তৌবগী তোঙান তোঙানবা মীয়ামগী মীৎয়েংদা চানদবা ওইনা উবা য়াওরে। অদুনদি লাইশঙদি লাইশঙনি, লাইশঙনুংদা চঙবদা নাটকী ওইবা ফিজোল লৈনবগুম, লৈঙাকলোইশিংগীসু লাইশঙনুংদা চঙবদা ফিজোলগী মচু অমত্তং খনবীরগা শেৎহনজনীংই। স্পিকরনা মান্নদবা অমা শেৎলবসু, রুল্লিং অমসুং ওপোজিসন্না মচু তোঙান তোঙান শেৎনরবসু লাইশঙনুংদা লাইয়ামশিং নোংজু মীফম, কালেন মীফম, নীংথম মীফম, মীফমশিং অসিগী ফিজোলসু হোংবা য়াই, অইং অশা খেন্নবগী মতুং ইন্না। তৌবতবু চাওখৎলকপগী মতুং ইন্না য়ূম-য়ূমদা ফমদুনা অহল-লমন, মচা-মমৌ, মশুশিং ফমদুনা য়েংনরল্লবা মতমনিনা, এম এল এ, মন্ত্রিশিংগী ফিজেৎ লাকশেৎ, ৰাঙাঙ শঙাঙ, মওং-মতৌ, থকসি-খাসি, ঙাঙনরিবা লোন্দা পুদা, অতৈ অতৈ লোইনা উনরবা ঙাক্তনি। মরম অদুনা, ইকায় খুম্ন জরিবশিংনা চেকশিনবা মতমসু ওইরব্রা খল্লি। তুংদা হৌরক্কদৌরিবা নহারোল কয়াগী ৰাখলদা অফবা মমি তাহনসি। অনৌবা লৈঙাক্না অনৌবা কয়া হৌদোকপসু মীংচৎনি। কংলৈচাশিংগী তোপ-তোপ্পা চৎন-কাঙলোন খরসু মালেমদা মশক তাকসি। ময়োল লমদমগী অয়াবা অমুক লৌখিগদ্রা, অনৌবা লৈঙাক মপুরেলগী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি, খুরুমজরি।

অদোমগী - খাংঙেম্বম শ্যামকিশ্বর, কুম্বী

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৮

১। শজিবুগী নোংমা পানবদা চৈরাওবা থায়নদগী চৎনরকপা অমনি।
  (ক) করম্বা নিংথৌ হাক্তক্তগী চৈরাওবসি হৌখিবগে?
  (খ) ইহান হানবা চৈথাবা মীশক্তুগী মমিং হায়য়ু।
২। “মীতম্বাক্তা চাউরবা/মীরোন্নিদা তাংলবা/পলেম পন্থৌ খঙদবা/নচানিদা তোল্লবা।” পরেংশিংসি ‘বসন্ত শৈরেং’ কৌবা শৈরেং লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। কবিদুগী মমিং হায়য়ু।
৩। “চৈরক্তুদা উরকই ঐগী লোয়নবী/মাগা অহানবা উনখিবা/থম্মোয় অমতা ওইখিবা/লুহোংবা নুমিৎকী তেল্লবা অহিং।” পরেংশিং অসিনা কবি সৌবাম তোম্বা লুৰাংনা ইবা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।
৪। নুপীনা ইবা ৰারীমচাগী ইহান হানবা লাইরিক অমা কুমজা ১৯৫৮দা থোক্লকই। লাইরিক্তুগী মমিং করি কৌই?
৫। বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মনা ইবা দ্রামা ‘থম্বালনু’ কৌবদু হিন্দিদা হন্দোকখ্রে। হন্দোক্লোয়দুগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৰাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ৩০, ইৰাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৰাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

মণিপুরদা সাইন্সনা পীবা ঈনোৎ

ইন্দিয়ান সাইন্স কোংগ্রেস এসোসিএসন কনানা করিগীদমক হৌদোকখি

অওনবা মালেম

সৌবাম তোম্বা লুৰাং

105th Indian Science Congress
March 16-20,2018, Manipur University

ইন্দিয়ান সাইন্স কোংগ্রেসকী ১০৫শুবা চহীগী মীফম মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা লোইশিনখ্রে নুমিৎ মঙানি হায়বদি মার্চ ১৬-২০, ২০১৮ ফাওবা পাঙথোক্লবা মতুংদা। হন্দক্কী মীফম অসিগী থিমনা - ‘রিচিং দি অনরিচ থ্রু সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি’ হায়বসিনি। মণিপুরদা পাঙথোকপগা ওইরে হায়রিবা থিম অসি অসুক্কী মতিক য়াম্না চানৈ করিনা হায়ববু লমদম অসি হীরম কয়াদা শোত্থনা লৈরবা লমদম অমা ওইরি। সাইন্স কোংগ্রেসকী চহীগী মীফম ফম্নবা শিনবা হায়বসি অরাইবা থবক অমদি নত্তে। অমরোমদা অপীকপা ষ্টেট অমদি মীশিং য়ামদবা লমদম অমদদি হেন্না অৰাবা ওই।

ইন্দিয়ান সাইন্স কোংগ্রেস করিগীদমক, করম্বা মতমদা, করম্বা পান্দম ফংনবা লীংখৎপনো হায়বদু হঙ্গৎনা য়েংবা য়াই। হন্দক্তা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা লোইশিনখিবা চহীগী মীফম অদুনা ১০৫শুবা মীফমনি। অদু ওইরবদি অহানবা মীফম অদুনা কদায়দা হৌদোকখিবা? ইন্দিয়ান সাইন্স কোংগ্রেস এসোসিএসন কুমজা ১৯১৪দা কোলকটাদা হৌদোকখি। মতমদু বৃটিশনা লৈঙাক্লিঙৈগী মতমনি। মসিবু ওইরক্লবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবসু ইন্দিয়া মচা নত্তে, বৃটিশ মচানি। বৃটিশ মচা অনীনি য়াম্না মরু ওইবা থৌদাং লৌখিবসি। মখোয় অনী অদুদি মমিং লৈরবা কেমিষ্ট্রিগী সাইন্টিষ্ট, প্রোফেসর জে এল সিমোনসেন অমদি প্রোফেসর পি এস মেকমাহোন হায়বশিংসিনি। কুমজা ১৯১৪ হায়বা মতমসি ইন্দিয়াদদি লাইরিক য়াম্না হৈবা অমদি সাইন্সকী মরমদা য়াম্না খঙ-হৈরবা মী ইরৈ লৈত্রিঙৈ মতম অমনি। শুক্লৈমক লৈতে হায়বদি য়াবা নত্তে অদুবু অসিগুম্বা সাইন্স কোংগ্রেসকী ওইবা লূপ লীংখৎপা হায়বসিগী ৰাখলদি লৈবা নত্তে। মখোয় অনীগী পান্দমদি ইন্দিয়াদা রিছার্স তৌদুনা সাইন্স হায়বসি করম্না চাওখৎহনগদগে হায়বসিনি। করম্না চহীগী মীফম পাঙথোক্তুনা সাইন্সকী মরমদা খন্ন-নৈনবা হৌদোক্কদগে হায়বসিসু মখোয় অনীগী পান্দম অমনি। ইংলেন্দা লৈরিবা বৃটিশ এসোসিএসন ফোর দি এদভান্সমেন্ট ওফ সাইন্স হায়বদুগী মওংদা লীংখৎলগা ইন্দিয়াদা সাইন্স চাওখৎনবা হোৎনখিবনি।

কুমজা ১৯১৪গী জন্যুৱারী থাগী অহানবা চয়োলদা কোলকটাদা ইন্দিয়ান সাইন্স কোংগ্রেস এসোসিএসন হায়না মীংথোন্দুনা হৌদোকখি। মসিগী মরু ওইবা পান্দমশিংগী মনুংদা খরদং পনবা তারবদি ইন্দিয়াদা সাইন্স চাওখৎহনবা, চহীগী মীফম ইন্দিয়াগী খুদোংচাগদবা মফমদা চহী খুদিংগী পাঙথোকপা হায়বনচিংবশিং অসিনি। মসিগীসু মথক্তা চহীগী মীফমদা খন্নখিবা, লৌখিবা ৰারেপশিং অদু জর্নেল ওইনা ফোঙবা হায়বসিসু য়াম্না মরু ওইবা পান্দম অমনি। হেক শেম্বগা ইকুই কুইদনা কুমজা ১৯১৪গী জন্যুৱারী ১৫-১৭ ফাওবা ইহান হানবা ইন্দিয়ান সাইন্স কোংগ্রেস এসোসিএসনগী চহীগী মীফম পাঙথোকখি। পাঙথোকখিবা মফম্না কোলকটাগী এসিয়াটিক সোসাইটিগী কেম্পস অদুদনি। মীফম অদু মতমদুগী কোলকটা য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেলর ওইখিবা অসুটোস মুখর্জিনা হৌদোকখি। ঙসিগী অসিগুম্না প্রাইম মিনিষ্টরনা হৌদোকপা নত্তে করিনা হায়ববু মতমদুদদি বৃটিশকী মখাদা লৈরি, ইন্দিয়া নীংতম্বা ফংদ্রি। অহানবা মীফম অদুদা ইন্দিয়াগী মনুং অমদি ফোরেন্দগী সাইন্টিষ্ট ১৫০না খন্ন-নৈনবগী শরুক য়াখি। কুমজা ১৯১৪দা সাইন্টিষ্ট ১০৫ হায়বসি মশীং য়াম্না য়াল্লবনি। খঙ-হৈরবা সাইন্টিষ্টশিংনা তোঙান তোঙানবা সাইন্টিফিক পেপর তরুক পাথোক্তুনা খন্ন-নৈনখি। পেপরশিং অদু বোটানি, কেমিষ্ট্রি, ফিজিক্স, জুলোজি, জিওলোজি অমদি এথনোগ্রাফি হায়রিবা সবজেক্টশিং অদুগীনি। ইন্দিয়ান সাইন্স কোংগ্রেসকী চহী ২৫শুবা শিলভর জুবিলিসু তাবা চহীগী মীফম অদু কুমজা ১৯৩৮দা কোলকটাদা পাঙথোকখি। মতমদু ইন্দিয়ানা নীংতম্বা ফংদ্রিবনিনা লোর্দ বুদরফোর্দনা হৌদোক্কদবনি। অদুবু মহাক্না ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবদগী মহাক্কী মহুৎতা লোর্দ জেমস হোপৰুদ জিন্সনা হৌদোকখি। মসিদা ফোরেন্দগী সাইন্টিষ্ট মশীং য়াম্না লাকখি। চহী ৫০শুবা গোল্ডন জুবিলিনা কুমজা ১৯৬৩গী ওক্টোবর থাদা দিল্লিদা প্রোফেসর দি এস কোথারিনা জেনরেল প্রসিদেন্ট ওইদুনা হৌদোকখি। মীফম অদুদা য়াম্না মশক থোকপা চেফোং অনী পুথোকখি। মদুদি ‘এ সোর্ট হিষ্টোরি ওফ ইন্দিয়ান সাইন্স কোংগ্রেস এসোসিএসন’ অমদি ‘ফিফটি ইয়ারস ওফ সাইন্স ইন ইন্দিয়া’ হায়বসিনি। বিশাখাপত্নমদা তৌখিবা ৬৩শুবা চহীগী মীফম অদুদদি অহোংবা কয়া লাকখ্রে। মতমদু কুমজা ১৯৭৬তনি। লৈবাকসিগী মমিং লৈরবা গ্রীন রেভল্যুসন পুরকপদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা এগ্রীকলচর সাইন্টিষ্ট এম এস শ্বামিনাথননা প্রসিদেন্ট জেনরেল ওইখি। মদুদা লৈবাক অসিনা থেংনরিবা ইস্যু কয়া সাইন্স অমদি টেক্নোলোজিগী মতেংনা কোকহনবা ঙম্নবা খন্ন-নৈনবগী থবক কয়া পাঙথোকখি। কোংগ্রেসকী চহী ৭৫শুরকপা প্লাটিনম জুবিলিগী মীফম্না কুমজা ১৯৮৮দা পুনেদা মমিং লৈরবা সাইন্টিষ্ট প্রোফেসর সী এন রাওনা হৌদোকখি। ৯৮শুবা মীফমসিমদি য়াম্না মরু ওই। কুমজা ২০১১দা চেন্নাইদা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহনা হৌদোকখি। মসিদা ক্বালিটি এদ্যুকেসনগী মতাংদা কূপ্না খন্ন-নৈনখি। মদুদা নোবেল প্রাইজ ফংলবা অমরত্য সেননচিংবা মীওই কয়া য়াওখি।

ইন্দিয়ান সাইন্স কোংগ্রেসকী ১০০শুবা সেন্টিনরি সেলেব্রেসন্না কুমজা ২০১৩গী জন্যুৱারী ৩-৭ ফাওবা কোলকটা য়ুনিভর্সিটিদা পাঙথোকখি। মদুগী থিম অদুদি ‘সাইন্স ফোর শেপিং দ ফ্যুচর ওফ ইন্দিয়া’ হায়বদুনি। ১০২শুবা চহীগী মীফম অদুদি থোয়দোক্না মরু ওই হায়না লৌনৈ। মদুদি সাইন্স অমদি ইনিদয়ান এনসিয়েন্ট বেদাগা মরী লৈনবদুগী মতাংদা খন্ন-নৈনবগী পেপর কয়া পুথোকখি। মীফম অদু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হৌদোকখি। মীফম অদু কুমজা ২০১৫গী জন্যুৱারী ৩-৭ ফাওবা পাঙথোকখি। ইন্দিয়াগী অরিবা লায়েং, অঙ্ক অমদি হীদাক-লাংথক্কী মরমদসু পেপর কয়া পাথোক্তুনা খন্ন-নৈনখি। ইনিদয়াগী মার্স ওর্বিটর মিসনগী মায় পাকপগী মতাংদসু খন্ন-নৈনখিবদুসু য়াম্না মরু ওইবা মতাং অমনি। কোংগ্রেস অসিগী মেম্বর ওইবগী মশীং য়াম্না হেঙ্গৎলে ঙসিদি। অহানবা হৌদোরকপদা শুপ্নগী মেম্বর মশীং ১০৫ ওইরম্বদু কুমজা ২০১২দদি লিশীং কুন্থ্রা ওইখ্রে। অদুদগীদি মেম্বর মশীং হেঙ্গৎলকপগী চাং লেপ্পা লৈত্রি চহী খুদিংগী। অহানবা হৌদোকপা কোংগ্রেস অদুদা শুপ্নগী সাইন্টিফিক পেপর কুন্থ্রামঙা পুথোকখি। অদুবু কুমজা ২০০০দদি সাইন্টিফিক পেপর লিশীং অমগী মথক্তা পুথোকখি। ঙসিদি মসিদগী হেন্না পেপর পুথোকপা ঙল্লে। মসিগীসু মথক্তা কোনশিল্লিবা সাইন্সকী সবজেক্টশিংসু মশীং য়াম্না হেনগৎলে। হৌরকপদদি সাইন্স হায়রগা ফিজিক্স, কেমিষ্ট্রি, বাইওলোজি, মেথমেটিক্সনচিংবদবু মরু ওইনা লৌনরম্মী। অদুবু ঙসিদি এগ্রীকলচর সাইন্স, এনিমেল সাইন্স, এনভাইরোনমেন্ট সাইন্স, ফুদ সাইন্স, কম্যুনিকেসন, ফোরেন্সিক এঞ্জিনিয়ারিং, বাইও-টেক্নোলোজিনচিংবশিংসু কোনশিল্লে।

মতমগী অহোংবা মতুং ইন্না সাইন্সকী মরমদা খন্ন-নৈনবা সাইন্স কোংগ্রেস অসিদসু শেঞ্জা থুমজানা ওইহল্লকপা অৰাবা, অমাঙবা কয়া, মসিনা সাইন্সতা পীরকপা চৈথেং কয়াগী মতাংদসু খন্ন-নৈনবা হৌরে। মীয়াম্না খন্নবদদি সাইন্স কোংগ্রেসকী মীফম পাঙথোক্লিবসি মহৈ তম্বীরিবা ওজাশিং, সাইন্টিষ্টশিং, মহৈ তম্লিবা মহৈরোয়শিংখক্তগী ওইবা মীফম অমনি হায়না লৌনৈ। ইশম-শম্না হায়রবদা সাইন্সকী ওইবা অনৌবা পোৎ পুথোক্তুনা উৎপা, খন্নবা, রোকেৎকী মোদেল শাবা ঙল্লে হায়বা অদুখক্তনি হায়না লৌনৈ মীয়াম্না। মসিগীসু মথক্তা সাইন্স কোংগ্রেস হায়বসি মীয়ামগা থোইদোক্না মরী লৈনদ্রে হায়না। মদুমক্তি নত্তে সাইন্স কোংগ্রেসকী মীফম চহী খুদিংগী মফম হোং-হোংদুনা পাঙথোক্লিবসি লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীপূম খুদিংমক্কী পুন্সি মহিংদা অওনবা পুরক্তুনা নুংঙাইবা পুন্সি মরেল অমা ফংননবনি। লৈবাকসিগী মহৈরোয়শিং মহৈ হৈবা হেঙ্গৎনবা ইন্দিয়ান সাইন্স কোংগ্রেস অসি শেল য়াম্না চঙনা পাঙথোকপা নত্তে। মণিপুরগী গভর্ণর নাজমা হেপ্তুলানা হায়খিবদুনি মহাক্কী ৰারোলদা-কোংগ্রেসকী মীফম অসিদা খন্নখিবশিং অদু থবক্তা ওন্থোক্তুনা মীয়ামদা কান্নবা ফংনবা হোৎনগদবনি। মণিপুর অসি হীদাক শেম্বা শাবদা কানবা পাম্বীশিং হায়বদি মেদিসিনেল প্লান্টশিং মরাং কায়না হৌরি হায়রদুনা মহাক্না মফম অসিদা কানবা থবক কয়া পায়খৎনবা আপিল তৌখিবদুনি। মসিগীসু মথক্তা মণিপুরগী লৌউ-শিংউদা কানবা পীনবা থবক লৌখৎহন্নীংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখিবদু য়াম্না মরু ওইবা ৰাখল্লোন অমনি। ১০৫শুবা ইন্দিয়ান সাইন্স কোংগ্রেস মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা পাঙথোকখিবসিনা মণিপুরগী মহৈরোয়শিংদা সাইন্সকী অচৌবা ঈনোৎ অমা হাপকৎখ্রে। মসি য়াম্না চাউবা কানবা অমনি। অমরোমদা অসুক চাউখ্রবা মীফম অমা পাঙথোকখিবসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ওজাশিং, ওফিসরশিং, ষ্টাফশিং, মহৈরোয়শিংগী চাউরবা থৌদাং অদুদগীনি। মণিপুর গভর্ণমেন্টনা লৌখিবা থৌদাং অদুসু য়াম্না মরু ওইবা অমনি। লো এন্দ ওর্দর ফত্তে হায়বগী মতাংদা ৰাহং কয়া হংলিবা লমদম অসিদা ফোরেন সাইন্টিষ্ট য়াওনা মী লিশীং কয়া নুমিৎ মঙানি তিনখিবা অদুনা তাকপদি মণিপুরদা লো এন্দ ওর্দর শিংথানীংঙাই ওইনা ফগৎলে হায়বা য়ারে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

মৈতৈ ফুরুপকী মনুংদসু অমুক খেন্ননা হিংমিন্নগদৌরিবরা?

মতম মতমগী ৰাফম

সেঞ্জম দেবেন

নহান শজিবুগী নোংমা পানবা, হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতুদা মৈতৈশিংনা মৈতৈ কাঙলূপকী ওইবা অনৌবা চহী হৌবগী কুম্মৈ ‘শজিফু চৈরাউবা’ হায়না খঙনবা অমা পাঙথোকখ্রে। লাক্কদৌরিবা শজিবুগী ২৮নি পানবা, থাংজ নুমিৎ অসিদসু মৈতৈশিংনা অমুক্না হন্না, কুমসি চহীগী শজিফু চৈরাউবগী থৌরম নৎত্রগা কুম্মৈ মখল অসি পাঙথোকখিগনি। মৈতৈশিংগী অসিগুম্বা মখলগী কুম্মৈ অসি মুসলিম ইচিন-ইনাওশিংগী ইদ-উল-ফিটর অমদি ইদ-উল জুহা হায়দুনা তশেং-তশেংনা চহী অমগী মনুংদা তোঙান তোঙানবা নুমিৎশিংদা অনীরক থোক্না পাঙথোক্নরিবা অদুগুম্বদুমক্তি নত্তে। মৈতৈ ফুরুপকী কুম্মৈ মখলসিদি শুপ্নগী, চহী অমগী মনুংদা অমুকখক্তমক মৈতৈ অপূনবনা পূন্না পাঙথোকমিন্নগদবা কুম্মৈনি। থৌদৌসি কুইরে, ঐখোয়না হায়ফেৎ ৰাখল তারকপা মতম অদুৰাইদগী হৌনা ঙসি ফাওবদা অদুম্মক কুম্মৈ মখলসি মৈতৈ ফুরুপ্পা তোঙান-তোঙানবা নুমিৎশিংদা অনীরক থোক্না পাঙথোক্লদুনা লাক্লি। অদুবু মতমদুদদি ঙল্লিবা মতম ওইরম্বনা মতম খরা লৈরগা শোয়দনা পূনশিন্নরক্কনি খন দুনা লাকখি। মরম অসিনা মতমদুদা মৈতৈ ফুরুপ্পা কুম্মৈ মখল অসি চহী অমদা শজিফু থাদা অনীরক থোক্না পাঙথোক্লবগী হীরমসিদা থোয়দোক্না খঞ্জিল্লুদনা লাকখিবনি। অদুবু, মতম খরখক্তগী ৰা ওইগনি, নোংমা ইকুই-কুইদনা অদুম্মক পূন্না খন্থমিন্নরগা অমদি অপূনবগী ওইবা ফিরেপ লৌমীন্নরগা শোয়দনা মৈতৈশিং পূন্না শজিফু চৈরাউমিন্নরক্কনি খনখিবা ৰাখলদুদি ঙসি ফাওদা মঙফাওনদ্রে। ঙসিসু মৈতৈ ফুরুপকী মনুংদা তাইশিন্নবা লৈতনা, চহী অমদা অনীরক থোক্না তোঙান-তোঙান চথনদুনা লৈহৌরদ্রা? হন্দক্তি তশেংনা ঙকপসু ফাওরকই। মখা তানা কয়ামরুম অমসু খন্থহল্লকই।

অমবু ওইরবসু, অমবু ওইরবসু মৈতৈশিংনা চহী অমগী চহী হৌবগী থৌরম্বু তোঙান-তোঙানবা নুমিৎশিংদা কাঙলূপ অনী থোক্না তোঙান-তোঙান পাঙথোক্নরিবসি অচুম্বা খোঙথাংদি ওইরোই। মসিনা অকায়বা কয়ামরুম অমা লাকহল্লোই হায়নীংঙাইসু লৈতে। মৈতৈ অমা ওইনা, ইরমদমসিগী মৈতৈ পূম্নমক্না নোংমতদা পূন্না পাঙথোকমিন্নগদবা মৈতৈশিংগী চহী হৌবগী থৌরম্বু অয়াম্বনা করিগী তোঙান-তোঙানবা নুমিৎশিংদা তোঙান-তোঙান্না কাঙলূপ নাইনা পাঙথোক্নরিবনো হায়বসি খঙনীংবা হেঙ্গৎলকই। অদুম ওইনমক, হৌখ্রবা মতমগী থোকখ্রবা থৌদোকশিং কয়াদা য়ূম্ফম ওইরগা, ঙসি-ঙসিমক্কী ওইনা হিংমিন্নরিবা পুন্সিসিদা খাইবুং-খাইবুং তানহল্লকপা য়াবা মওংশিংদা ঐখোয়না নৌহৌনা চিল্লোক্নরুবগী থবক্তি খক তৌবা চুল্লোই, মদুনা অমুকসু হেন্না কৈ কিদুনা চেল্লগা শওম ওক্ন বগী থৌদৌদু তারক্কনি, ফুরুপ মশেল য়েংথীনবা হেঙ্গৎলক্লবা ফীভমসু ওইহল্লক্কনি। মসিনা কৈদৌঙৈদা খক কানবা পুরকপা ওইথোক্লোই। হৌখিবশিংদু হৌখ্রসনু, হৌজিক্তি ঐখোয় পূনশিন্নদুনা ৰাখল খায়বুং-খায়বুং তানদনা, পূন্না চৎমিন্ননবা অমদি পূন্না হিংমিন্ননবা, অপূনবগী ওইবা ফিরেপ তঙাইফদনা লৌমিন্নবগী তাঞ্জাদু লাক্লে। ঐখোয়গী ইরক্তা ঐখোয় কনানা কনানি হায়না অমুক লৌনরুগদৌরিবনো? মৈতৈ হায়বসি শুপ্নগী পীকখ্রবা ফুরুপ, কাঙলূপ মচা অমখক্তনি। ঐখোয়গী হৌরকফমসু শুপ্নগী অদুম্মক অমখক্তনি। ঙসি ফাওবদা ঐখোয়, ঐখোয়গী ইরক্তা অতোপ্পশিংনা তোখায় তানহন্নবা থাজিনখিবা শীংচেপশিং শৎতোকপা ঙমদনা হিংনরি। মদুদা শিংলে খঞ্জরুবা মৈতৈ অশিংবশিং কয়ামরুম্না খুরু খুদক কুদুনা, মঙকশম নোম্থনা চত্তুনতা লাক্লিবনি। ঐখোয়, পীকখ্রবা ফুরুপ মচাসিগী মনুংদা অমুকসু তোখায় তানবা য়াবগী মমিশিং মচেৎ ওইনা ফাওবা অমুক হন্না তাহনফম থোক্ত্রে। ফীভমসিদা ঐখোয় ইশা ইথন্তনা অমুক হন্না মৈতৈশিংগী মনুংদা খেন্নবা কাঙলূপশিং পুথোক্লবা হোৎনবা লানগনি। অসিগুম্বা থৌদৌশিং মখা তানা শাংথনবা শীঞ্জ-লাংজবা অরানবা থৌদৌশিং ওইগনি। তোখায় তাননবগী মমিশিং মুৎহন্দনা মখা তানা চথদুনা লৈহৌনবা চৎপা মচৎশিং, খুদক্তগী হৌনা ঐখোয় পূম্নমক থাদোকমীন্নবা চুমগনি।

অৰাবা কোঙ্গাই কোকথোংনদুনতা লাক্লবা, য়েলহৌঙৈদগী হৌনা ঙসি ফাওবদা খরখক্তং মীমান্নবা ঙম্নবা হোৎনজবখক্তদা ইথৌদাং ওইজরক্লিবা ইফুরুপ মচাসিগী মরাইবকসি কদোমদনো, কনামতনা হায়বা ঙমদ্রি? ঙসি ফাওবদা লাইবক্না তল্লম্বা ফুরুপসিগী পোফমশিং খক ফরম্বা থেংনদ্রি। য়েক্লবা ওইরবা খুরক্কী ঈনা শাবা লাইশিং কয়ামরুমগী অকনবা শাফুশিংনা ঐখোয়বু তত্তনা মালেমসিদগী খোঙ্গুল মুৎহনখিনবা অমসুং অমুক হন্না মালেমসিদা মমি ফাওবা তারদনবা হঞ্জিন-হঞ্জিন থৌরাং কয়া পায়খৎলক্লি। মরকসিদা, পীকখ্রবা ঐখোয়গী ইরমদম অমদি ইফুরুপ মচাসিনা, মী য়োৎপা, মী তুমহনবা ঙম্বা অচৌ-অচৌবা খুন্নাই কয়ামরুমদগী পাথরকপা মশীং থীঙমদ্রবা মীতোপ-মীয়ানচাশিং লিশীং-লিশীংনা থাকচিল্লকপা লাংশিং থুদনবসু থৈ-থৈদুনা চেল্লিবনি। ফীভমশিংসিগা ইরোয়ননা ঐখোয়না ঙসি ফাওবা কয়াদা ৰানা অমসুং ৰাখলদা পোত্থাবা মশক খঙদনা হিংলক্লিবা? শুপ্নগী মায়কৈ অমখক্তগী লানখক নত্তে ঐখোয়না থেংনরিবসি অমসুং থেংনগদৌরিবসি। ইশা কঞ্জহৌনবগীদমক ফুরুপসিনা লান মশীং খঙদনা থেংনরি, থেংনখিগদৌরি হৌজিকসু মখা তানা, লেপ্পা লৈতনা। পোত্থাবা হায়বদু মশক খক খঙদ্রি ফুরুপসি। কৈদৌঙৈ ফুরুপসিনা চনীং তানা অমসুং নীংশা শাংনা হোন্দোক্তুনা অমুক্তং ঈং-তপ্না হিংবা মহিং হায়বদু ওইরক্কদৌরিবনো, কনামতনা হায়বা ঙম্নদে। ইশাগী ঙমখৈগী লান, ঙমখৈদগী হেন্দোক্তুনা ইরমদম অমদি ইফুরুপসিমক কঞ্জনবগী লান, ঐখোয় হৌজিক মায়কৈ খুদিংমক্তা লান ময়ামসি থেংনরোইদবা লম্বীশিং অমত্তা খক উবা ফংদ্রি। অসিগুম্বা লুরবা তানফমশিংসিদা ঐখোয় মশেলগী মরক্তসু অমুক্না, মনুংগী ৰাথোক ওইনা ৰাখল তানদবগী, লৈত-লায়রগী অমদি লাইনীং লম্বীনচিংবশিং মান্নদবগী য়েংথীনবশিং, পূম্নমকসিগী কল্লবা ঈথিল অমসু কন্না ফুক্কৎলক্লি। মপানগী লাঞ্জাউশিং কয়ামরুমসি লান্থেংনদ্রিঙৈগী মাঙওইননা ইশাগী ফুরুপ মনুংসি হান্না ঐখোয় ৰাতেম্নবা চুমগনি। ঐখোয়গী ফুরুপসি তশেংনা মীশিং য়াম্বা ফুরুপ নত্তে অমসুং ঐখোয়না খুন্দারিবা ইরমদমসিসু মেপতদি মশক ফাওবা উদবা মফমনি, অসুক্কী মতিক পীকপনি। অচৌবা লানফমশিং কয়াসি ঐখোয় পূন্না অমসুং মায় পাক্না থেংনমিন্নসি হায়রবদি, ঐখোয়গী পীক্লবা ইফুরুপ মচাসি অমদি পীক্লবা ইরমদম মচাসিগী মনুংদা হান্না লৈরিবা খেন্নবা ৰাখল্লোনশিং অমসুং খেন্নবা লাইনীং লম্বীশিং খুদিংমকসি পূনশিল্লগা অপূনবা লিচিং অমত্তগী মখাদা পূন্না ৰাতেমমিন্নদুনা, ৰাখল-পাংদিং মান্ননা হিংমিন্ননবা হোৎনমিন্নবসু য়াম্না মথৌ তাই।

অপীকপা ৰাখল খল্লগা অপীকপা থৌশিং পাঙথোকই। অচৌবা মঙলানশিং মঙলিবা মীওইশিংগী মরক্তগী শুপ্নতগী অচৌবা মীওইশিং ওইথোক্লকই। লাইবক য়েংনবগীদমক চাংদম্নবদুদা ঐ য়াওদ্রবদি ঐ কৈদৌঙৈদা খক মায় পাক্লবা মীশক অমা হায়বদু ওইথোক্লোই। লোট্টরিগী টিকেৎ কক্লুদবা মীওই অমত্তনা কৈদৌঙৈদা খক লোট্টরি ফাওরক্লবা মীশক হায়বদু ওইরক্তে। ইশা হায়বসি য়াওদনা খক ইরৈপাক হেক্তা কৌবা য়ারোই। ঐখোয়গী পীক্লবা ইরৈপাক মচাসিদা লৈরিবা ইফুরুপ মচাসিগী মনুংদা ফাওবা, ঐখোয় মশেল ৰাখল মান্নবা অমদি পাংদিং মান্নবা ঙমদ্রগা কৈদৌঙৈ ঐখোয়না পাংদিং মান্নরবা অপূনবগী পাঙ্গল অমা হায়বদু শাগৎকদৌরি। পূনশিন্নবগী পাঙ্গল য়াওদনা ফুরুপ অমত্তনা কৈদৌঙৈদা খক অপূনবগী পাঙ্গল পুথোক্তুনা য়েক্লবশিংগা লানবানবা ওইথোক্লোই। ইরমদমসিদা লৈমিন্নরিবা ইশাগী ইফুরুপচাশিংগী ৰাখল্লোনসি তশেংনা অঙকপা অমদি ওইব্রা খল্লি। হায়রিবসিদা ইশাসু য়াওরবনি। ঐখোয় অমুক্তংদি খন্থমিন্নবা ফব্রা নীংই। অদুবু ‘ঐখোয় অমুক্তংদি’ হায়বসি খক্তনদি করিসু কান্নবা ফংগদৌবা মান্দ্রি। মসি শুপ্নগী হিংচাবীনা শরী শোনবদু খক্তগা মান্নরি। থৌদৌসি তাহন্দনবা ঐখোয় অমুক্তংদি তশেংনা পূন্না হোৎনমিন্নসি।

“লাইরৈপাকমক্কা চপ-মান্নবা সনালৈপাকনি ঙাঙনরিবা মণিপুর, মণিপুরদা লৈজবা য়েলহৌমী ঐখোয় খরখক্কা, বিহারগুম্বা মপান লৈপাকশিংদগী জিরি লম্বী অমদি দিমাপুর লম্বীশিংদা লোন্না হুরাল্লগা চঙলক্তুনা, মণিপুরদা শৈদাংদুনা মপুন্সিগী হিংনবা লম্বী ফংনরিবা মীতোপ-মীয়ানচা খরসিখক্তগনা ঙাঙনবা ওইরম্লে”।